কোচিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : ক্লাস টুয়েল্ভ (সাইন্স, আর্টস, কম্মর্স)কী ওইনা লেম্না কোচিং ক্লাস জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা দিসেম্বর ৫ দগী এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মনোজ তৌরাংবমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মহৈরোয় হায়বসি লৈবাক্কী লননি। তুংগী মরাইবাক হায়বসি ঙসিগী মহৈরোয়শিংগী খুৎতা লৈ। ইস্যু য়াম্বা লমদম অমা ওইবনা মহৈরোয়শিংনা মশাগী লাইরিক তম্বা কাউথোক্কুনা লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা মাঙ থানা চঙশিল্লি। থৱায় ফাওবা থাদোক্লি। লৈবাক্কী ঈহৌ হৌরিঙৈদা কোচিং চৎপা ফংহৌদ্রবা মহৈরোয়শিংগী ইন্টরেষ্টতা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মমাঙদা পাঙথোকখিবগুম দিসেম্বর ৫ দগী পাঙথোক্লগনি। কোচিং অসিগী ফোর্ম এমসু হেদ ক্বার্টরদগী লৌবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবশিংদগী লাপথোকসি : মাদা

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবা মীওইদগী লাপথোকসি হায়না মোইজিং এন্টি দ্রগ এসোসিএসন (মাদা) গী জেনরেল সেক্রেটরি রমাতুলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌবাল মোইজিংদা ময়াই কাবা দ্রগ শুংবা অমসুং য়োনবগী লায়না অসি য়াম্না শাথিবা অমা ওইরে। খুঙ্গং অসিদা ময়াই কাবা দ্রগ শুংবা, য়োনবগী থবক চত্থরক্লিবা অসি এসোসিএসন অসিনা কন্না হোৎনরবসু থিংবা ঙমদ্রি। কানি অমসুং ব্রাউন সুগরনচিংবা শুংবগী থবক অসি মীওই অমনা বিহার অমসুং বাংলাদেশতগী পুরকপা খুদোলনি। হায়রিবা মীওই অসি জেলদসু লৈরুরবা মীশকনি। মৌলুবী, মৌলানা কয়াবু হাৎকনি হায়না কিহনবা কয়া অমসু লৈখ্রে। ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইদগী লাপথোকসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ন্যুত্রেল ওইনা লেপ্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : কোমরেম য়ুনিয়ন, কোমরেম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরনা ন্যুত্রেল ওইনা লেপ্লি হায়না কোমরেম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কে জিম অমদি কে আর য়ু এমগী প্রসিদেন্ট লালখোমাং সার্তোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিবু দিসইন্টিগ্রেট তৌনবা অমদি কম্যুনেল দিসহার্মোনি থোক্কদবা দিমান্দদা সপোর্ট তৌবগী ৱাফম লৈরোই। মরম চাদনা প্রোব্লেম ওইহনগদবা অমদি সোসল দিসহার্মোনি থোক্কদবা থবক তৌবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লৌমীশিংগী পোইনু মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা চহী অসিগী দিসেম্বর ৮ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদগী এম দি য়ু হোলদা লৌমীশিংগী ওইবা পোইনু মীফম অমা ফমগদৌরি হায়না ফাউন্দেসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ গোপেন লুৱাংবা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অসিদা ইম্পেক্ট ওফক্লাইমেট চেঞ্জ সষ্টেনেবল সোল্যুসন এন্দ ফুদ সোভরেন্টি হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনদুনা হৌজিক লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি তুংদা লাক্কদবা কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। খুদোংচাদবা খুদিংমক খঙমিন্নবা অমদি তুং কোয়না লৌমীশিংনা তংদু লৈতানা নুংঙাই-য়াইফনা ইশাগী পোথোক্লা পুক থন্না চাজবা, মান্নবা খুন্নাই অমা করম্না শেমগদগে হায়বনচিংবা কয়াদা খন্ন-নৈনগদৌরি। সবজেক্ট এক্সপার্টশিং, ষ্টেকহোল্ডরশিং, পেনেলিষ্ট কয়ানা অয়ুক অমদি ইভিনিং সেসনদা খন্ন-নৈনগনি। লমদমসিগী য়াইফনবা খল্লিবা অমদি হোৎনরিবা খুদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

ঈশিং ফংখিরোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : ইরিল ইনটেক্তা টেক্নিকেল প্রোব্লেম লৈবা মরম্না পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লায় স্কিমগী জুরিদিক্সন মখাদা লৈবা মফমশিংদা নুমীৎ নীনি হুন্নী ঈশিং ফংখিরোই হায়না প্রোজেক্ট কন্সত্রক্সন দিভিজন পি ঐচ ঈ দি মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সাইন্স, মেথমেটিক্স এন্দ ইনভাইরনমেন্ট এগজিবিসন ২০১৯ ফোর চিলদ্রেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : সাইন্স য়ুনিট দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস) না শীন্দুনা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ফোর সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট হায়বা থীমদা দিসেম্বর ১ ফাওবা চত্থগদবা ষ্টেট লেভেল সাইন্স মেথমেটিক্স এন্দ ইনভাইরনমেন্ট এগজিবিসন ফোর চিলদ্রেন ঙসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হৌদোকখ্রে।

টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা এগজিবিসন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, মালেম অসি মীওইবা খক্তগী নত্তে। থৱায় পানবশিং অমদি পান্থীশিংসু য়াওরি। মীওইবনা মালেম অসি ঐখোয় খক্তগীনি খনবদগী নেচরেল কেলামিটিজশিং থোকহল্লিবনি। পুন্সিদা মায় পাকপা মী অমা ওইনবা নম্বর খঙদবা য়াদে। মীওইবগী পুন্সি হিরম খুদিংমক্তা নম্বর য়াওদবা য়াদে। মসিগা লোয়ননা ঐখোয়গী অকোয়বগা অফবা মরী অমা লৈত্রবদি মীওইবনা নুংঙাইনা হিংবা ঙম্লোই। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট পুরক্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমদুনা মেথমেটিক্স অমদি ইনভাইরনমেন্টকী মতাংদা এগজিবিসন শীনবসি থাগৎনিংঙাইনি। তুংগী মীরোলগীদমক সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট পুরকপা তঙাইফদে। মীওইবনা ইনোভেটিভ ওইবা ইনভেন্সেন কয়া তৌরি। মসি ৱাখলদা খল্লকপা অদু থবক্তা ওন্থোকপনি। মতৌ তম্বগী মহুৎতা ইনোভেটিভ ওইবা মোদেলশিং পুথোক্কুনা তুংগী জেনরেসনদা কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনসি। মহৈরোয়শিংনা পুথোক্লিবা মোদেলশিং অসি সষ্টেনেবল ওইহন্নবা হোৎনসি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমদি মেথমেটিক্স য়াওদনা মীওইবনা হিংবা ঙম্লোই। মহৈরোয়শিংনা মোদেল পুথোকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা পুথোক্লবদি মায় পাকপা ঙমগনি। লমদমসিগী মহৈরোয়শিং টেলেন্ট লৈবা ঙাক্তনি। মোদেলশিং পুথোকপা মতমদা ওজাশিংনা মপুং ফানা সপোর্ট পীবীয়ু। তুংলমচৎ অসি হৌরক্লিবা নহা অমদি মহৈরোয়শিংগী খুৎতা লৈ। ঐখোয়না শীজিন্নরিবা টেক্নোলোজিশিং অসি মতম অমদা রিছার্স কয়া তৌদুনা পুথোক্লম্বগী মহৈনি। ঙসিগী মীরোলনসু তুংলমচৎকী খল্লগা পুথোকপা য়াবা টেক্নোলোজিশিং পুথোক্নবা হোৎনবা তাই। হোৎনববু কল্পবদি ইকনমিক কন্দিসনগী থোইদোকপা মথৌ তাদে। মহৈরোয়শিংনা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমদি মেথমেটিক্সকী লমদা মণিপুরবু মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন (এস) কী কম্মিস্নার কে ঐচ রঘুমনিনা প্রসিদেন্ট অমদি দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। এগজিবিসন অদুদা মোদেল ৫৫ পুথোক্লি হায়রি।

হিরোইন পাউদর গ্রাম ৬৭০গা কোন্ননা মীওই মঙা ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস): নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর পুলিস ষ্টেসনগী এদিস্নেল এস পি সকল্সো আর কেনা লুচিংবা নাবকী টিম অমনা থা অসিগী ২৪গী নুমিদাং পুং ৭.৫০ তাবা মতমদা অয়াংপল্লি রোদ খুরাই থিঙোম লৈরক্তগী মীওই অহুম হিরোইন পাউদর গ্রাম ৬৬৪গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি মোরে মাউজাং খুলদগী থাংতিনলেন (২৭) অপোকপা থোংখোজাম কৌই। মহাক্কা লোয়ননা চুরাচান্দপুরগী টি চংবাংফাই খুলদগী বোখোলহিং বাইতে (৩৮) অপোকপা মুনখোতাং বাইতে কৌবা মীওই অনি অসি হান্না ইম্ফাল ইষ্টকী খোঙসাই বেংদগী নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা ফাখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না ফোঙদোরকপদগী মোরে ৱার্দ নম্বর ৮তগী খুমন্থেম তোম্বা (৩৮) অপোকপা কেঐচ রাঘুমণি কৌবা অমগা খুরাই থিঙোম লৈকায়দগী ফাখি। মখোয়দগী হিরোইন পাউদর গ্রাম ৬৬৪ ফাখি। হায়রিবা দ্রগশিং অদু সাপোন কেপ ৫০দা হাপ্লগা পুরকপনি হায়রি।

মখা তানা থা অসিগী ২২গী নোংয়াই মতুং পুং ১২.২০ লোম তাবা মতমদা লিলোং পুলিস অমদি ওল লিলোং এন্তি দ্রগ এসোসিএসনগী ভোলন্টিয়র য়াওবা টিম অমনা দ্রগ লালোনবা মচিন-মনাও অনি লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায় লাইৱখোঙদগী ফারে হায়রি। ফারবা মচিন-মনাও অনি অদুদি এম দি রহিমুদ্দিন এলিয়স মণি (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি জমারুদ্দিন অমদি মহাক্কী মনাওনুপা এম দি ৱহাজুদ্দিন এলিয়স অবো (৩০) নি হায়রি। মখোয়দগী হিরোইন গ্রাম ৬ ফাবগা লোয়ননা মদু লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে।

সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ থমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চিংখম হিল লোক এরিয়াদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী অথিংবা থল্লে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট থৌবাল এন বন্দনানা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না চিংখম হিল লোক্তা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী অথিংবা অসি থা অসিগী ২৭ তগী চৎনবা হৌগনি। ওর্দর অসিনা লো ইনফোর্সিং ওথোরিটি অমদি এসেন্সিয়ল সর্ভিসতদি কোনশিল্লোই। চিংখম এরিয়াদা কনাগুম্বা খরনা লৈবাক কোৎথোকপা অমদি উ য়ান্থৎপগী থৌদোক থোকপদগী টেন্সন লৈরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা অথিংবা অসি থম্বনি। জে সী বি মেছিন অমদি হেভি ট্রক শীজিন্নদুনা লৈবাক কোৎপা অমদি উ য়ানবগী থবক চত্থবদগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা অথিংবা অসি থম্বনি হায়রি।

প্রাইভেট স্কুলশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চঙলগনি : এইমস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : প্রাইভেট স্কুলশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না অপূনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস) কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সাইয়োনবা মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি কোসেমনা লৌবাং ক্লাস টুয়েল্ভ এগজাম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ফোর্ম ফিল-অপ তৌবা মতম লাউথোকখ্রে। লাইবক থীবদি প্রাইভেট স্কুল খরনা খুৎচাও থাদুনা বোসেম অমদি কোসেমনা লেপ্পা ফোর্ম ফিল-অপকী মমলদগী চাদা ১০০ হেন্না লৌনবা নোটিশ থোকপা হৌনখ্রে। মসি শুক্তৌ তৌরোইদবা থবক অমনি। মসিদা লমহেন-তুহেনবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মথক্তা এইমসনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। ক্লাস টুয়েল্ভকী ফোর্ম ফিল-অপ তৌবা মতমদা কাউন্সীলনা লেপ্পা মমল অসি ২৮৫০ নি। প্রক্তিকেল ফিনা সবজেক্ট অমদা লুপা ২৫০ নি। বোসেমনা লৌবা ক্লাস এগজামদনা লুপা ২১০০ নি। বোসেম অমদি কোসেমদা এফিলিয়েট তৌরিবা প্রাইভেট স্কুল অমদি লৈঙাক্কী স্কুলশিংনা পীরিবা শেনফম অসিদগী হেঞ্জিন্না লৌবা য়াওরি হায়রি।

উ চারা ৫ থারে হায়বগী দোক্যুমেন্ট য়াওদ্রবদি থবক শুবগী অয়াবা পীবা ঙম্লরোই : ৰুম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী দিসেম্বর ১ গী মতুংদা লাকপা শিন্মীশিংনা উ চারা ৫/৫ মশা-মশানা পামজবা মফমশিংদা থারল্লে হায়বগী মশক তাকপা য়াবা দোক্যুমেন্ট য়াওদ্রবদি ৱার্কর য়ুনিয়ন মণিপুর (ৰুম)গী মেম্বর ওইদুনা থবক শুবগী অয়াবা পীবা ঙম্লরোই হায়না ৰুমগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর টি ঐচ পুথিবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৰুমদা লমদমসিগী শিন্মীশিং থবক শুবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলল্লি। অনৌবা থবক শুবা লাকপা মতমদা মশা-মশাগী বাইও দেটাশিং অমদি করেক্টর সার্টিফিকেট লৌবগী মথক্তা তঙাইফদনা চহী অসিগী দিসেম্বর ১গী মতুংদা লাকপা শিন্মীশিংনা য়ামদ্রবদা উ চারা ৫/৫ পামজবা মফমশিংদা মফম চানা থারল্লে হায়বগী মশক তাকপা য়াবা দোক্যুমেন্ট য়াওদ্রবদি ৰুমগী মেম্বর ওইদুনা থবক শুবগী অয়াবা পীবা ঙম্লরোই। মণিপুর অসি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমনা মরম ওইরগা শিন্মী কয়াদসু খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। লম্বীদা থবক চৎপদা মশাগী আইদেন্টিটি শুনা য়াওদবা শিন্মীশিংবু লমদম অসিগী সিক্যুরিটিশিংনা মশক খঙনবা হোৎনবদা শিন্মী মশাগী আইদেন্টিটি কার্দ য়াওদবা মতমদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অসিগুম্বা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমদি অশেংবা শিন্মীগী মশক অদু লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লিবশিংদা শক তাকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরি। শিন্মীশিংনা মশা-মশাগী আইদেন্টিটি খঙনবা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদগী পুলিস ভেরিফিকেসন সার্টিফিকেট অমদি দি সীনা পীবা দোমিসাইল সার্টিফিকেট তঙাইফদনা য়াওবা তাই।

দিসেম্বর ১ গী মতুংদা ৰুমগী শিন্মী মেম্বর ওইনিংবশিংনা দোক্যুমেন্টশিং অসিগী মথক্তা মশা-মশানা য়ামদ্রবদা উ চারা ৫/৫ থারল্লবা মীওইনি হায়বা তাকপা দোক্যুমেন্ট অমসু হাপচিল্লে। শিন্মীশিংনা উ থারম্বগী দোক্যুমেন্ট য়াওদ্রবদি মহাক অদু ৰুমগী শিন্মী অমা ওইনা লৌশিনবদা খন্নররোই। শিন্মী মশানা উ চারা ৫/৫ থারল্লে হায়বা মতমদা মহাকপু শিন্মী মেম্বর অমা ওইনা খন্নগনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি হৌজিক হোংলক্লিবা মালেমগী ওইবা অকোয়বগী খল কায়থরক্লিবা অসিবু ঙাক শেন্নবগী মীয়াম্না লৌরক্লিবা থৌদাং অসি ৰুমগী শিন্মীশিংনসু লৌরি হায়বদু তাক্নবগীদমক লেপ্পনি।

লমদমসিগী শিন্মীশিংনা কাঙলোন চুম্না চৎকনি থাজৈ। লমদম অসিদা চহী অসিগী নোংজু মতম চানা লাকখিদ্রবা মতুংদা ফৌথোক হন্থরকপনা মরম ওইরগা মীয়াম ৱানরে। মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা লমদমসিদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী মায়োক্তা মীয়ামগা লোয়ননা মাস কেম্প্যেন অমসু অথুবদা চঙশিল্লগনি। মসিদসু মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। ইশাগী থৌদাংনি খন্নবা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ইপুলাই শাফোংহল্লসি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা ইপালাই ইপুলাই শাফোংহল্লসি হায়না খা মায়কৈ ঙাকপা অপূনবগী প্রসিদেন্ট য়ুরেম্বম মোইরাংচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খা মায়কৈ ঙাকপা অপূনবা লূপনা শিল-লাংদুনা খা মায়কৈগী ওইবা মৈতৈগী অরিবা লাইফমশিং মীতোপ-মীয়ানচাগী লাইনিংনা কনখিদুনা মৈতৈগী অরিবা লুরবা লাইফমশিংবু নমশিনদুনা থল্লবা মতুংদা লূপ অসিনা ঙসি নৌহৌননা ইপা-ইপুশিংনা চৎনরম্বা লাইশোন-তীনশোনশিং লিক্লম কায়দনা পাঙথোক্কুনা লাক্লি। হৌগৎলক্লিবা মীরোলগীদমক খন্দুনা মৈতৈ ঐখোয়গী ইপালাই ইপুলাইবু ঙসিগী মালেমসিদা তূমদুনা লৈবগী মতম ওইদ্রে। ঐখোয় মীকপ থোক্লসি। ইপানাৎ ইপুনাৎপু শাফোংলসি হায়বগী পান্দমগা ঈরোয়ননা ঙসি ককচিং সুপর মার্কেটতা লৈবা কৈথেল লাইরেম্বা লাইরেম্বী পলেম-পন্থৌ অনীগী মতম কুইনা হরাও মথোই কাবগী থৌরম পাঙথোক্লুদ্রবা তুংদা পাঙথোকখ্রে হায়নসু মখা তারি।

‘লাইনিং-লাইশোনগী মিং শীজিন্নদুনা নম্ফু তৌনবা হোৎনরকপা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : লাইনিং-লাইশোনগী মিং শীজিন্নদুনা নম্ফু তৌনবা হোৎনরকপা তশেংনা লাইবক থীবনি হায়না মিকনগী চীফ কো-ওর্দিনেটর অথৌবা মৈতৈ অমদি লিগ ওফ ইন্দিজিনস ফার্মর্স এন্দ টেক্নিসিয়ন্স (লিফ্ট) কী সেক্রেটরি পি কে ৱাকম্বমনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ককচিং ইরেংবন্দ লৌকোলদা ইস্কোন লাইশঙ শাবা য়ারোই হায়বা লূপকী ৱাফমদা মীওই খরনা অতম্মনা ইন্টিগ্রিটি হায়বা ৱাফম অসিমক মফম চাদনা শীজিন্নদুনা রিএক্ট তৌরকপা তশেংনমক লূপ অমদি মীয়ামগী ওইনা লাইবক থীবনি। হিরম অসিগী মতাংদা লূপনা মীয়াম পুন্না খঙমিন্ননবা থমজনিংবা ৱাফমদি ষ্টেট অতৈদা তৌবগুম্না মণিপুর ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৪ গী সেপ্টেম্বর ২ দা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্কুনা চৎনবা হৌখ্রবা দি মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৪ গী সেক্সন ৩ অমসুং ৪ গী মতুংইন্না কনাগুম্বা লৌপু অমত্তনা মহাক মশামক্কী লৌ উনরিবা লৌফম্বু লৌ উনবা নত্তবা অতোপ্পা হিরম অমত্তদা মনিং তম্না শীজিন্নবা য়াদে। কনাগুম্বা য়ুম শানবা ইংখোল লৈজদবা লৌপু অমনা লৌফমদা লৈননবা য়ুম শানিংলবদি পঞ্চায়ট এরিয়াদনা একর ০.২০ অদুগা ম্যুনিসিপাল এরিয়াদনা একর ০.১০ দমক য়ুম শাবদা শীজিন্নবা য়াই। হিরম অসিগীদমক্তা শেমখিবা মরী লৈনবা সার্কল অদুগী এস দি ওনা লুচিংবা লোকল লেভেল মোনিটরিং কম্মিটিগী খুত্থাংদা এপ্লিকেসন থারবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অইবা ওইনা অয়াবা পীরক্লবা মতমদতা কন্সত্রক্সনগী থবক হৌবা য়াই। মরম অদুনা লমদম অসিগী লৌপু খুদিংমক্না এক্ট অসি মমুৎ তানা নৈনবগী মথৌ তারি।

লূপ অনীমক্না লাইনিং-লাইশোন অমত্তদা খেন্নবা মীৎয়েং থম্বা লৈতে। মিকন অমদি লিফ্টকী থৌমীশিংগী মরক্তসু হিন্দু লাইনিং চৎপা ইরৈচা কয়া য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা লূপ অনীনা থমখিবা ৱাফমশিং মমুৎ তানা নৈনবীবগী মহুৎতা অখুবা ৱাঙাং ৱাতা শীজিন্নদুনা, লূপ অনীনা লাইনিং-লাইশোন অমবু অতম্মনা টার্গেট তৌই হায়বসিদি য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। মিকননা মণিপুরগী মীয়াম্বু চীঞ্জাক্কী মীপান তাঙদনবা হৌদোকখিবা মিসন সনালৈবাক ইরৈচা খুদিংমক্কীনি। হৌজিক ফাওবদা থুনা য়াংনা তুমশিল্লক্লিবা লৌফমশিং অসি তুংগী মীরোলগী য়েংদুনা মতম চানা য়ারিবমখৈ কলহৌনবগী পান্দমদা হৌদোকচখিবা মিসন অসিগী মখাদা লৌবুক্তা পায়খৎনবা হোৎনরম্বা প্রোজেক্ট অমা থিংজিনখ্রে। পায়খৎনবা হোৎনরম্বা মীওই কয়াগা ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নখ্রে। লৌবুকশিং কলহৌনবগী ৱাখল্লোন্দা হৌজিক্তি মায়কৈ কয়াদগী নুংশিজরবা ইরৈচা কয়ানা লেপ্পা লৈতনা মিসন অসিবু শৌগৎপীরক্লি।

মমাঙদসু লূপ অসিনা হন্না হায়জখ্রে মদুদি, লূপ অসিনা লাইনিং-লাইশোন অমত্তবু হন্থনা য়েংবা, তাথিবা লৈতে। মালেম অসিদা চৎনরিবা লাইনিং-লাইশোন খুদিংমকপু ঈকায় খুম্নে। ইস্কোন লাইশঙ লৌবুক নত্তবা অতোপ্পা মফমদা শাখিবদা অয়েৎপা অমত্তা পীজরোই হেন্নদুম শৌগৎকনি। চানবা চেঙ মিকন অমদি লিফ্টকী থৌমীখক্তদা মথৌ তাবা নত্তে, ইরৈচা খুদিংমক্কীসুনি। মরম অদুনা লূপ অনীনা মীয়ামগীদমক্তা চত্থরিবা মিসন অসিদা য়েৎপীবগী মহুৎতা শৌগৎপীদুনা ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা চীঞ্জাক পুথোকফম ওইরিবা লৌবুকশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্বদা থৌদাং লৌফম থোকই। ফৌদি লৌবুক্তা নৎত্রবদি হৌবা ঙমদে অদুবু লাইশঙদি মফম চাবা মফম অমদা হেক্তা শাবা য়াই। লৌ উনরিবা লৌফমশিং মখল অমত্তগী কন্সত্রক্সন তৌবা য়ারোই হায়বসি কয়ারক হন্না লাউথোকখিবা লৈখ্রে।

ইস্কোন লাইশঙ শাগে খন্না চোংথোরক্লিবা ইরৈচাশিংসু নিংহন্নবীগনু। লৌবুক নত্তবা মফম অমদা শানবা হোৎনসি। পুন্সি কয়াগী হৌরকফম ওইরিবা, পুন্সি কয়াবু য়োকপী থাকপীরিবা মমল নাইদ্রবা লৌবুকশিংদি মীরাইগুমসি। তুংগী মীরোলগীদমক ঙমজবা থৌনা পুথোক্কুনা কন্দুনা থল্লমসি। ইরমদম অসিগী ইরৈচা কাঙলুপ অমত্তবু লূপ অসিনা তোঙান্না খনবা লৈজদে অমদি পুম্নমকপু লুম্না লৌজৈ। এক্ট অসিগী মীয়ামগীদমক্তা মৈতৈলোলদা হন্দোকপা কোপীশিং ওফিসতগী ফংবীগনি। মীয়াম্নসু এক্ট অসিবু কুপ্পা নৈনবীয়ু। মখা তানা পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী খুত্থাংদা ঐখোয় মশেল অৱাই-অখুম তৌনগুমসি। ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা নীংথিনা ফম্মিন্নদুনা খন্ন-নৈনসি। ইরৈচা পুম্নমকপু লূপ অসিনা মতম পুম্নমক্তা তরাম্না ওক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা কোংগ্রেসনা শেংদোকফম থোকই : বিজয়

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : সী এ বিদা য়াওরিবা ৱারোল কয়া কোংগ্রেস পার্টিনা হান্না দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা শেংদোকফম থোকই হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোয় সী ঐচ বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা সী ঐচ বিজয়না হায়খি, সী এ বিদা য়াওরিবা ৱারোল কয়া কোংগ্রেসনা হান্না দিমান্দ তৌদুনা লৈরম্বনি। কোংগ্রেসনা চহী কয়া চঙনা হোৎনরম্বনি। পোলিটিকেল ৱিল য়াওদবদগী ঙমখিদবনি। হিরমসিগী মতাংদা কোংগ্রেসনা শেংদোকফম থোকই। সী এ বিদা মুস্লিমগী ৱাফম য়াওদবসিনা বিল অসি কম্যুনেল ওই হায়বা ৱাফম বিল অসিনা ফোঙদোকই। অদুবু কোংগ্রেসনা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবা অদুদসু মুস্লিম য়াওদে।

অহমেদিন হায়বা মুস্লিম কাঙবুসু পাকিস্তানদা পার্সিক্যুট তৌই। অদুবু মখোয় সী এ বিদা য়াওদে। মসিগী মরমদি হায়রিবশিং অসি মুস্লিম মরক্তগী নৌনা থোরকপা অমনি। মখোয়গী হেদ ক্বার্টর লন্দনদা লৈ। মখোয়বু ইন্দিয়াদা কৌশিন্নবা মরম লৈতে। কুমজা ২০১৪ গী মতুংদা লাকপশিং সী এ বিগী কান্নবা ফংগদবা লৈতে। কোংগ্রেস পার্টিনা সী এ বিগী মতাংদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি।

সিটিজন্সিপ এপ্লাই তৌরিঙৈদা লোং টর্ম ভিজা হান্না এপ্লাই তৌগদবনি। লোং টর্ম ভিজা অসি চহী তরুক লেংদনা লৈরক্লিবা মফম অদুগী দি সীদা থাগদবনি। দি সী অমদা হেক্তা থাবা য়াদে। দি সীদগী প্রোসেস তৌরবা মতুংদা ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টনা এপ্রুভ নৎত্রগা রিজেক্ট তৌগদবনি। এপ্রুভ তৌরবদি মীওইদুগী দোমিসাইল, ভোটর লিষ্টর, রসন কার্দনচিংবা দিষ্ট্রিক্টতুগী ওইগনি। সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল কোংগ্রেসনা হান্না দিমান্দ তৌরম্বনি। হৌজিক কোংগ্রেসনা মমায় লৈরগা মীয়ামদা চরাংনবা থোক্নবা ৱাফম কয়া থল্লিবা অসিগী মতাংদা শেংদোকফম থোকই। বিল অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্কুনা লাকখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না কম্মিসন অসিগী নোটিফিকেসন মতুংইন্না গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং এম এস পি সী এলগী মখাদা তোঙান তোঙানবা এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টশিংগী সেক্সন ওফিসর গ্রেদ ৱান অমসুং টু নৎত্রগা মান্নবগী ফমগী পাঙথোকখিবা অইবা চাংয়েং লাউথোক্লে হায়রি।

দিসেম্বর ১৬ তগী ২০ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ইন্টর্ভিয়ুগীদমক ক্বালিফাই ওইরবা কেন্দিদেটশিংনা মরী লৈনবা চে-চাং পুম্নমক ওফিস অৱারদা দিসেম্বর ৯ দগী ১১ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী রেজিষ্ট্রারকী ওফিসতা পীশিনগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

চীংমী-তম্মীগী য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট নীংশিং মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : ৭২ শুবা চীংমী-তম্মীগী য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট নীংশিং মীফম থা অসিগী ৩০ দা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা খুন্দারিবা চীংমী-তম্মী অমদি ফুরুপশিং পুন্না নুংশি-চান্ননা হিংমিন্ননবা অমদি হান্নদগী লৈরক্লবা চীংমী-তম্মীগী মরী চেৎশিনহন্নবা কুমজা ১৯৪৭ গী নবেম্বর ৩০ দা জননেতা ইরাবতকী প্রজা সংঘগী মীৎয়েং মখাদা এম দি য়ুদা শেমখিবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী ৭২ শুবা নীংশিং মীফম পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা সী পি আইগী ভেটরান লুচিংবা এম ইবোহল, ওল মণিপুর কবুই য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ডা. হিরা কবুই, ফেদরেসন ওফ হাওমিগী সেক্রেটরি জেনরেল বি সী সিমরে, মরিং কলচরেল পল্লেল সোসাইটিগী হান্নগী সেক্রেটরি সাইমোন মরিং, জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন অসাম মণিপুর নাগালেন্দগী প্রসিদেন্ট অমু কামৈ, উখ্রুলগী ৰুংহোন খুলগী হেদমেন স্বিদেন রাইহিং, মতম অমগী মহিলা সমেলনগী লুচিংবী মাইবম কদম্বীনি, বার কাউন্সীল ওফ মণিপুরগী মেম্বর এদভোকেট রবি খান, সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা.এম নরা, ফেদরেসন ওফ হাওমিগী প্রসিদেন্ট সাপম জাদুমনি, হান্নগী মিনিষ্টর হনখানপাও, ক্ষেত্রিগাও জিলা পরিষদকী উপ-অধক্ষা নুর ইস্লামনচিংবনা ময়াই তাংবল লৌগনি।

বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্লবা শেমশাবা হৌরকখিবা কুমজা ১৯৪৭ গী ফেব্রুৱারী ২০ দা ফমখিবা নাগা নেসনল কাউন্সীলগী মীফম অমদা তাখিবা ৱারেপ খরা অসামগী গভর্ণরদা মেমোরেন্দম ওইনা পীশিন্দুনা মণিপুর, অসাম অমসুং বর্মাগী নাগা তাবা লমশিংগী নাগাশিং য়ুনিটি লৈহন্নবা দিমান্দ তৌখি। মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা মিনু চঙলকপগী মথক্তা মাওদা নাগা নেসনল লীগ কৌবা লূপ অমা শেমদুনা মাওগী লুচিংবা দাইহোবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৪ দা নাগা নেসনল কাউন্সীলগী মখাদা ইষ্ট পাকিষ্টান্দা তীন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখি। খোঙথাং অসিনা মণিপুরগী চীং-তমগী অকায়বা পীরক্কদবদু উবদগী নেতা হিজম ইরাবতকী প্রজা সংঘনা শীন্দুনা কুমজা ১৯৪৭ গী নবেম্বর ৩০ দা চীংমী-তম্মীগী লুচিংবশিং য়াওবা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম দিসেম্বর ১২ দা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম চহী অসিগী দিসেম্বর ১২ দা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি কখনলুংলু কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী ৱার্করশিং অমদি মেম্বরশিংগী অপূনবা মীটিং অমা ধর্ম্ম সভা অসিগী প্রসিদেন্ট দি এল কবুইনা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ঙসি অয়ুক নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা লৈবা লূপ অসিগী সিটি ওফিসতা থৌরমদু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা দি এল কবুইনা হায়খি, ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগা খুৎশম্নদুনা চহী খুদিংগী পোইনুগী ১৫ নি পানবা পুর্ণিমা নুমীৎতা কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লি। কবুই ফুরুপ চাউখৎনবা অমদি কবুই সলাং মাইবগী মতিক মগুন হেনগৎনবা পাঙথোকপা নত্তে। কবুই সলাং মাইবগী মতিক ময়াইদি মোইরাং কংলৈরোলদা ওজা কয়ানা শৈথাদুনা অঙকপগী থাক অমদা লৈখ্রবনি। মৈ, ঈশিংনা লৈরিবা ফাওবা নৌদুনতা লৈরগদবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমা ওইরবনি। অনৌবা মীরোলনা শৈথাবদা কৈদৌনুংদা য়ৌবা ঙম্লরোইদবা লেংদ্রবা অথোইবনি। অসিগুম্বা মতিক ময়াই লৈরবা মাইববু নীংশিংবগী মরমদি হৌজিক্কী মতমদা চান্ন-চিন্নবা ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফমসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি।

চিরবা মতম অসিদা মোইরাং কংলৈরোলদা কবুই সলাং মাইবনা লৌরম্বা থৌদাং অসি মালেমনা তমজ নিংঙাই ওইরবা অমত্তা ঙাইরবা চান্ন-চিন্নবা ইন্টিগ্রিটিগী লম্বীনি খন্দুনা পুথোকপনি। অহল-লমনশিংগী মতমদা চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবা য়ারগা মচা-মনাও ঐখোয়না করিগীদমক লৈমিন্নবা য়ারোইদবনো হায়বগী মীৎয়েংদা পাঙথোকপনি। মীয়াম্না লান্না লৌদনবা ধর্ম্ম সভাগী ৱার্করশিং অমদি মেম্বরশিংনা থম্মোয় শেংনা চৎকদবনি। হৌজিক্কী ওইনদি অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মীনোক মৈশা মরক্তা থৌদাংনি খন্দুনা পান্দম য়ৌনবা চঙশিনমিন্নখিসি। চান্ন-চিন্নবা ইন্টিগ্রিটিগী সিম্বোল ওইরবা থৌরম অসিদা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনসু শরুক য়াবা ঙম্নবা ছুটি ফাওবা লাউথোকপা য়ারবা থৌরমনি। ঙসি ফাওবদি মীকপ থোক্ত্রি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর প্রেস ক্লবতা চহী অসিগী দিসেম্বর ১ দা ওল মণিপুর পি ঈ টি সক্সেসফুল কেন্দিদেট ওফ টেন এন্দ এলেবেন আই আর বি রাইফলমেননা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কেন্দিদেটশিংনা মতম চানা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মেকরশিংনা ফন্দিংগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মেকরশিংনা ফন্দিংগী প্রোব্লেম য়াওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি হায়না ইন্দিয়ন দোক্যুমেন্টরি প্রদ্যুসর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট উশা দেসপান্দেনা ফোঙদোকখ্রে।

পনাজিদা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াদা পাউমীশিংগা উনবদা উশা দেসপান্দেনা হায়খি, দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মেকরশিংগী মরুওইবা তঙাইফদবদি ওদিয়েন্সশিংদা য়ৌহনবনি। দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মেকরশিংগী প্লেটফোর্ম পীবা ওইনা ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়া শীল্লি। ফিল্ম দিভিজনগা খুৎশম্নদুনা ফিল্ম স্ক্রিনিং কয়া তৌরি। ফিল্মগী ক্বালিটিসু য়াম্না মরুওই। প্রাইভেট ইনষ্টিট্যুট কয়া অমসু লৈ। মখোয়দি ঐখোয়না কন্ট্রোল তৌবা ঙমদে। ফিল্ম স্কুলগী ক্বালিটি অসি য়াম্না মরুওই। জর্নেলিষ্টশিংনা তৌবা থবক্কুম্না দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মেকরশিংগী থবক অসিসু য়াম্মী। সোসল ইস্যুনচিংবা কয়া অমসু লৈরি।

পাউমীশিংগা উনখিবদা, ইন্দিয়ন দোক্যুমেন্টরি প্রদ্যুসর এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সঙ্কর দেসাইনা হায়খি, আই দি পি এনা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংগা খুৎশম্নদুনা মহৈরোয়শিংগীদমক ৱার্কশোপ পাঙথোকই। ফিল্ম মেকরশিং অসি ট্রেন তৌবা তঙাইফদে। প্রোসেস অসিদা ঐখোয়দি ফেসিলিটেটরনি। ফিল্ম মেকরশিংনা টেলিকাষ্ট তৌরগা শেল ফংই। ফিল্ম পোলিসী ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী সপোর্ট য়াম্না তঙাইফদে। দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মেকরশিংগী ইনকমগী খন্নবা চঙই। দোক্যুমেন্টরি ফিল্মশিং উৎপা য়ানবা ফিল্ম ক্লব অমা হৌদোক্নবা ইন্দিয়ন দোক্যুমেন্টরি প্রদ্যুসর এসোসিএসন্না প্লান তৌরি হায়রি।